ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯵, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ফেব্রুৱারী ২৫, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩১৯ শুবা মশীং

# দিমোক্রেসিগী ফেষ্টিবেল

## মীয়ামগী খনগদবা মীহুৎ খনবদা থৌদাং লৌবীয়ু

*তরামাথোইশুবা* মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখল লাক্লিবা মার্চ ৪ অমসুং ৮ দা তাঙ্কক অনীথোক্লা পাওথোক্লগনি। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীখল হায়বসি দিমোক্রেসিগী ফেষ্টিবেলনি হায়না লৌনৈ। দিমোক্রেসিগা থাদোক্নবা য়াদ্রবা মীখল হায়বসিদগী হেন্না লুবা কাঙলোন অমা লৈতে হায়না লৌবা ফাওবা য়াই। মসিনা মরম ওইরগা মীখলগীদমক লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর কয়ামরুম চাদিং তৌরি। ভোট থাদনগদবা মতম নকশিল্লক্লে। অদুবু মীয়াম্না মখোয়গী করম্বা মীহুৎ খনগদগে হায়বদুদি হৌজিকসু চমম্নবা ফীভম অমদা লৈরিবরা হায়না ৱাহং হংনরি। মীয়ামগী খনগদবা মীহুৎ নৎত্রগা লৈবাক্কী থবক তৌরক্কদবা মীওই খনবা হায়বসি পাদম অমা পায়রগা মীরেপশিং অদুগী মনুংদা কনানা হেনবগে হায়না থিদোকপা য়াবা পোৎ নত্তে। মীখল ময়াদা লুপা ক্রোর খরা থাদরগা মীয়ামবু নুংশিবা শারিবা মীওই কনা কনানো হায়বদুদি খ্বাই তরানা খুদোম্বী থিল্লগা তাকপা ঙমগনি। মদু নত্তনা ৱাখলনা শাগৎলগা মীরেপ অদুদি অফবনি মীয়ামগী থবক তৌরক্কনি হায়না লৌরগা ভোট থাদরুবদগী লৈবাক অসি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বা খঙনরবনি। স্কাভেটর অনী, টাটা টিপর খরা থমজিল্লগা খোংবান কোৎপা হৌরগা সোসল ৱার্করনি হায়না ময়ামনা লৌনরিবশিং অসি মতমসিগী ওইবা সোসল ৱার্করনি। তশেংনমক মখোয়না তৌরিবা থবক অদুদি মহাক্লা মহাক্কী অনিংবা অপাম্বদু মীয়ামদগী মুন্দুনা লৌননবা হোৎনবনি। অসিগুম্বা মীওই কয়া মীখল অসিদা মীরেপ ওইরি। মীরেপ ওইরিবা মীওইশিং অসিগী মতুং মীয়াম্না শঙ্গু-শঙ্গু ইল্লি। নুমিদাংগী মতমদ থক্ল-চানবা ৱাৎতে। মীখলদা মায় পাকখ্রবা তুংদা মহাক্লা এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টর ওইরিবদু মীয়াম্না পীবা ভোট অদুননি হায়বা কাওখ্রগনি। করম্বা মতমদা অমুক মখোয়না মীয়ামবু নিংশিংলকই হায়বা তারবদি মথংগী টার্ম অমগী মীখল ময়াদনি। অসুন্না মীরেপশিং অসি অমমমতা ওইনা ককশিনা কক-কক হল্লগা মীয়ামগী থবক তৌরক্কদবা লুচিংবদু কনানো হায়বা থিদোকসি। কান্নদবদা ঙাইহাক্কী শেল খরা ফংলগা লোইরে হায়বা ৱাখল্লোন্দু হৌজিক্কী মতমগা চূশিন্নদ্রে হায়বদু ময়াম্না খঙসি।

চহী নৌরিবা নুপীমচা অমনা অহানবা ওইনা হন্দক্তগী ভোট থাদবা ফংগদৌরিবসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকপা ৱাফম অমা নৈনবা য়াই। মহাক্লা হায়, মীয়ামগী থবক তৌগদবা মীওই অমদা ভোট থাদনিংই। চল্লবী নুপীমচা অসিগী ৱাখল্লোন্দা ফাওরক্লিবা অচুম্বগী মশক অদু তাবদা নুংঙাই অমসুং অসিগুম্বা শোন্থাংনবা খোল্লাউ অসি মফম খুদিংমক শীনবা থুংনা লৈরক্লবদা মণিপুর সনাগী মথক্তা মুক্তা থিনবা লৈবাক হায়বদু ওইগদৌরিবনি। অদুবু ঐখোয়না মীয়ামগী থবক তৌগদবা মীওই হায়বদু লন্নাই ওইনা মহাক্লা তাঞ্জবা শেঙ্গাউদগী পুথোক্লগা শেম-শাবদু ওইগদৌরিবরা নৎত্রগা অখন্নবা থৌশিল অমা শেমদুনা লৈঙাক পায়রিবশিংনা মীয়ামগী থবক তৌবদুরা হায়বসি য়েংগদবনি। লন্নাইগী ওইনা শেঙ্গাউদগী শেল পুথোক্লগা থবক তৌবা হায়বসিদি প্রিপেদকুম্বনি। হান্না মীয়ামদা শেল খরা থাদরগা কায়নথংদা মী লল্লোনবগুম্না শেঞ্জাউ ফংবা য়ানবনি। অদুবু লৈঙাকপশিংনা মীয়ামগী খল্লগা শেম-শাবগী থবক পায়খৎহনবা হায়বসিসু মীয়ামগী থৌদাংনি। মরম খরসিদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি অফবা নৎত্রগা মীয়ামগী থবক তৌবা লুচিংবা অমা পাম্মী হায়বসি চীন খক্তদা হায়বগী ৱাফম থাদোক্লগা থবক্তা ওন্থোক্লবগী খুদোংচাবা লৌগদবনি। মীখল ময়া নকশিল্লক্লগা চাকচা-হৈজানবগী থবক কনখৎলক্লিবা অসিসু মশক ফজবা দিমোক্রেসিগী শক্তম অদু নত্তে। অফবা মীহুৎ খনবদা চঙলিবা মচাকসি অহুম্নি। অমনা মীয়াম, অতোপ্পা অমনা মীরেপ অমসুং অতোপ্পা অমনা মীয়াম অমসুং মীরেপকী মরক্তা মীখলগা মরী লৈননা অরানবা তৌরিবশিং অসি থিংননবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অখন্নবা থবক লৌখৎপদু পাম্মী। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবদি মীরেপশিংসু শেল ইচঙ চঙদনা মীহুৎ ওইনবা হোৎনবীয়ু। মীয়াম্নসু মীরেপশিংদগী কা হেনবা চাদিং তৌহনবা পাম্বীরুনু। মীরেপশিংনা শেল পীগে হায়রবসু করম্বা ইন্টরেষ্টতা য়েংলগা হায়রিবনো হায়বা থিদোকপীয়ু। হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী মীখলগী মওং-মতৌ অসিদি শেঞ্জাউ পায়বা মীওই নৎত্রবদি মীরেপ ওইবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। ৱাহৈ মতেক অসি চিম্ফা পুবশিংনা মীয়ামগী অপাম্বা পীননবা হোৎনরকপদা নত্তবা কয়ামরুম তৌরকই। নত্তবা তৌরকপনা খুন্নাই অসি মহাম তাহল্লকই। ঐখোয়গী লুচিংবা হায়বসি ঐখোয়না শেমগদবনি। অফবা লুচিংবা অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙবা মচাকশিং অদু মীয়ামদা চেলহন্দ্রগদি দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈরোই। মদু নত্তনা অঙৌবা চেবাং অমদা মীয়ামগী থবক তৌগনি হায়দুনা শোই তৌরগা মীয়ামনা পেন্থোকপনা লৈবাকসিগী লুচিংবনি হায়বদি পঞ্জনিংদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫

১। "...ইচাই লমন শিংলমগে/লিলা সিদং লোইরমগে" পরেংশিংসি 'খম্ব-থোইবী শৈরেং' দগী লৌথোকপনি। কনানা হায়খিবা ৱাহৈশিংনো?
২। "নোংঙাল্লমদাইদা/নুপী অমনা কপ্পা তায়/হিক্লা তেংথারদুনা/পোম্বী হঞ্জিল্লক্লোবা।" ৱাহৈশিংসি কবি কনানা হায়বনো?
৩। 'রিক্লো অমসুং নোংমৈ' অইবী কনানা ইবনো?
৪। 'Imphal and its Climatic Condition' হায়না পাচা মীতৈগী নোভেলবু ইংরাজিদা হন্দোকপদু কনানো?
৫। 'ঈগী খোঙ্গুল লীবা' লমকোয় ৱারী অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪ গী পাউখুম অহুম চুম্না থাবীরকখিবদি**

*১) নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লীৱা লম্বী মাইবম লৈকায়* (৩)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪৪ গী ৱিন্নর**

*নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লীৱা লম্বী মাইবম লৈকায়*

**লিটরেরি ক্যুইজ ৪৪ গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**


মার্চ ০৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪ গী পাউখুম

১। "হে নিংথি পুকতপ্পী/নঙগী ঈচেল অরংবা/পুখো ঈসে অঙাঙবা/সমুদ্র ঈমায় থুংনবা।" কবি কনানা হায়বনো? ঃ- নীলবীর শর্ম্ম শাস্ত্রী
২। "অঙাঙবা উচেক মচাশিংনা/থিরি মাঙখ্রবা ময়ূম্বু/অশুকপদা অমম্বদা চীংনুং মান্নুংদা।" মসিনা কবি কনানা হায়বা ৱাহৈশিংনো? ঃ- য়ূম্লেম্বম ইবোমচা
৩। 'খোঞ্জেল থোক্তবা ৱারী' শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদু কনানো? ঃ- সনামচা
৪। 'মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম' মিসেস গ্রীমউদকী লাইরিক অসি মণিপুরীদা হন্দোকপদু কনাননো? ঃ খুরাইজম নিমাইচরন
৫। 'বুদ্ধনা তূপ্লিবা লমদুদা' লমকোয় ৱারী অসি কনানা ইবনো? ঃ সলাম তোম্বা

# 'ন' অমত্তনি খেন্নবা- অওবা অমদি অওনবা

**ৱাইরু ৱাইরুবদা হোঙবা**



*মখোয়না* ভোট কারদি
অওবা পুরক্কনি
মানা ভোট কারদি
অওবা পুরক্কনি
মানা ভোট কারদি
অওবা পুরক্কনি।

হাইস, বানান লাল্লেনা সিদি!
অওবা হায়গদবা নৎতে
অওনবা হায়না হায়গদবনি
অওবা নৎতে অওনবা
হায়গদবনি হা হা হা

হুং হুং হুং !
কদাইদগী অওনবনোদা
মখোয়নবু পুরক্কৌরিবা
মখোয়নবু কদাইদগী অওনবা
পুরক্কনেগেদা
মখোয়না পুরক্কনি অওবা
অওবা নৎতনা করিবু পুরক্কনি
অওনবা শুংপু পুরক্লোই
অওনবা শুংপু পুরক্লোই।
অদুনদি
বানান অসে শেমদোক্লরোই
মখোয়না ভোট কারবদি
অওবা পুরক্কনি
মখোয়না ভোট কারবদি
অওবা পুরক্কনি
অওনবা হায়বদুদি
মথং মপোক্তসু থাজদ্রে
মথংগী মথং মপোক্তসু থাজদ্রে
মখোয়গী মচানবু কারসু
মখোয়গী মশুনবু কারসু
অওনবা নৎতনা করিবু পুরক্কনি?

হোয় অমরোমদা অওনবা পুরকপা য়াই। অওনবা হায়বসি করিনো? মতাং অসিদা অওনবা হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক অসি অনী লৈবা য়ারি। অওনবা অমদি :- ঙসি ঙসিমক অসি মণিপুরগী মীওই কয়া ফর ফর ওন্দুনা খাঙলি। ইকনমিক ব্লোকেদ থা মরিরোম তৌশিনখিবা অসিদগী ঐখোয় ময়াম অমা ফর ফর ওন্দুনা খাঙলি। অনাবগী পুন্সি কনবা য়াবা হীদাক কয়ামুক ফংদবদগী অনাবা কয়া ফর ফর ওন্দুনা খাঙলি। তীলহৌ, আলু ফংদবদগী ঐখোয় ফর ফর ওন্দুনা খাঙলি। ওইল পম্প (থাউহানশঙ) দগী থাউ ফংদদুনা লম্বী লমখাঙদগী অতাঙবা পেট্রোল লৈদুনা হাপ্লুবদগী ঐখোয়গী গাড়ীশিং ফর ফর ওন্দুনা খাঙনরি। গ্যাস য়েনফমসু ক্যু, বেঙ্কতসু ক্যু, থাউ য়েনফমসু ক্যু, ক্যু কয়াগী চৈথেংদা ঐখোয় কয়া য়োপাক্লা শোক্লবা তীন্থোক্কুম্না ফর ফর ওন্দুনা খাঙনরি। মসি পূম্বসি অওনবা ঙাক্তনি। মসিবু অওনবা নৎতে হায়সিরা? মখোয়না পানবদগী মীয়াম অসি ফর ফর হায়বমখৈ থরো মাল্লো ওন্দুনা খাঙলি। মসিদগী হেনবা করম্বা অওনবনো মখোয়না অমুক নৌহৌননা পীরক্কদৌরিবা অওনবা অসিবু? ঐখোয় ওনবা ওক্লেকো। ওনবা হাকমন্দুনা লূ য়াঙফাও পেদ্রেক পেদ্রেক তেক্লবনি। মসিসু অওনবা মখল অমনি।

মী লাক্ষ কুন্থ্রাখক লৈবা লৈবাক মহা অসিদা মী লাক্ষ তরেৎ নিপাল থবক ফংদবগী শূফম নোমফম ফংদনা থরো থরো ওন্দুনা খাঙলি। কয়াদা কনখ্রবা অওনবনো? মসিনা ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা মিং চল্লবা লাইরিক তমহৌবা কাঙবুগীনি। তন্দুনা ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা মিং চনবীদ্রবা কয়া লৈরি, লাইরিক তম্মসু তমদ্রসু, লাইরিক হৈরসু হৈত্রসু চাক্তি চাদ্রসু য়াদে, থৱায়না মথন্তা শিজরক্ত্রিফাওবদি হিংদবসু য়াদে - লৈঙাক্লা মখোয়গী করিসু তৌবীদে ফর ফর ওলহনবা অওনবা অসি নৎতনা। চীং তমগী নুংশিনবা মরক্তা লাপথোক্লরকপা মানবা অমদগী চীংমী তম্মী পূম্নমক ফর ফর ওন্দুনা খাঙলি, নুপী কয়া ঈ মশেলনা শারাক তম্বীবদগী ফর ফর ওন্দুনা খাঙলি, খরা অমনা চীংয়া তময়াদা, তুরেলদা, খোংবান্দা, লৌবুক্তা, খোংদা হাৎতোক্লগা দিসপোজিবল গ্লাসকুম্না লংথোক্লি। নুপীশিং ফর ফর ওন্দুনা খাঙলি, আইনগী মতেং, ৱায়েল ফংবা ঙমদনা তোক্লি, ৱায়েল খুদিং য়ৈথোকপগী মশক ওইরি। কয়াদা ফর ফর ওন্না হিংদুনা খাঙলিবা মীয়াম। কয়াদা ফর ফর ওন্দুনা খাঙলিবা নুপীশিংনা।

চুম্নগী কিলোমিটর য়াঙখৈ চাম্মগী লম চৎপদা খাম খামদুনা লৌহৌখ্রিবা টেক্স ময়াম খাম্বদদা নুমিদাং পুং ৯, ১০ তারগা য়ূম য়ৌবা মফমনি। ফর ফর ওনখৈ খাঙঙিদা মীচম মীয়াম ঐখোয়দি।

হীরম খুদিংদা ফর ফর ওল্লে। ওন্দবা মফম লৈত্রে। স্কুল য়েংউই ফর ফর ওল্লি, হোস্পিটাল য়েংলুই ফর ফর ওল্লি, দিপার্টমেন্ট খুদিং দুকান লোইন ওনখ্রে। মশক ফজবী, খুনীং শৃৎ নানবী, পিশুম ফোয়বী মৌ নহা, মৌ অরিবী ময়াম্না দিপার্টমেন্ট খুদিং দুকান ফল্লে, দুকান দারগী দুকান্দার ঙাক্তা ঙাইখ্রে, মীয়ামদি থরো মালো ওন্দুনা খাঙলে। অসিবু নৎত্রা অওনবা হায়বদো। সিদগী হেনবা অওনবা খরা অমুক হাপকৎপীরক্কদৌরিব্রা হায়রিসে।

কয়াদি কুইরে নখোয়না মীয়াম্বু ফর ফর ওলহনবীরিসে? নখোয় ময়াম্না ভোট কারগা পুরক্কনি হায়বিরিবা অওনবা অসিবু অওনবরা অওবরা? অওবা নৎতনা করি ওইনি হায়বগে? নখোয়না চাবগী লেমহৌবগী অওবা অদু মঙায় মীচম মীয়ামদা পুরক্লগা পীজদৌরিবা। অদুসু নখোয়না ওথোরক্তুবদি অদুম তোকচরে। সিনিসে অওনবদগী ওইরকপা অওবা। 'ন' অমত্তনি খেন্নবা।

# মমালোন লৈতবশিংগী মমালোনগী নুমিৎ

**নবকুমার ওইনা**

**লোন** অসিদা লোন অসিগী মমিং করি কৌই? মুৎখ্রবা লোন অদুনা কনা-কনানা ঙাঙলম্মী। লোন অসি ঙাঙলিবশিংনা কনা কনানো? লোনগী নুমিৎসিদা ঙাঙনরিবসি ইৱাল-লাল্লি। লোন অসিদি ইন্টরনেসনল ওইরবনি। মণিপুরী নত্তবশিংগী মমালোন ওইবসু য়াওরিবনি। লোন অসিগী মমিং লাল্লি, লোন অসি মীতৈ ময়েক্লা ইগনি হায়বসিসু লাল্লি, লোনা য়াদবা ৱানি। মীতৈলোনদি লৈত্রে, ময়েক্তি লৈরি হায়বসি করিগী হায়রিবনো? লোনদু লৈত্রবদি ময়েক্তুনা কৈদৌনদৌরি। শিখ্রবা লোনদুগী মমালোনগী নুমিৎ হায়বসি করিনো?

চরক-চহিং নায়বা মীশিংগী মমালোনগী মমিংসু চরক-চহিং নাইরকপনি। মীসু-লোনসু ইহোং হোংদনা মীগী মমিংসু (কাঙলুপকী) হোংবা লোনগী মমিংসু হোংবা ময়াম য়াওরক্লি। মমালোন লৈজদ্রবশিংনা মীগী লোন মুল্লগা মখোয়গী মমালোন্নি হায়বা য়াওরক্লি। কার হুরাল্লগা মচু হোংলম্বগুম্বনি। লোন অসি মমিং হোংলগা হুরানবা য়াবা পোৎলা? মণিপুরী কৌবা য়ারবদি আর্বিক লোন্দা করি থোনগদৌরি। কাঙলুপকী লান্দা লোনগী মমিং হোংলিবরা? মমালোন লোনবা হায়বসি জেনেটিক ওইগদৌবনি হায়বা লৈব্রা?

লোন নুংশিবশিংনা তৌরিবসিবু করিনো? লোন থৱায় য়াওবশিংসি লাম্মী ওইনা উরক্লি। লোনগী লান অমা লৈরবা মাল্লক্লি। লোন অসিনা মণিপুরী কৌখ্রবদা মীতৈলোন ঙাঙলম্বা মীশিংদু কদায়দা চৎখ্রবগে? লোন ওইনা মুৎখিবরা, কাঙলুপ ওইনা মুৎখ্রবরা? কাঙলুপ শাগৎপগী লান্দা কাঙলুপ মুথৎপদা লোনসু মুথৎপা য়াওরিব্রা? মুথৎনবগী লান অদুনা লেপ্পদ্রবদি লোন অসিসু মুৎপা মশানা তারকপনি। লোনগী লান য়াওরিবশিংনা খঙবা য়াবসি লান অদুনা লোন অসি য়োকখৎপা নত্তে মুথৎপনি হায়বসি খঙমিন্নবা তারকই। লোন অসিদি ইরন্নায় নত্তে।

লোনবু নুংশিগদরা, কাঙলুপ ওইনবু নুংশিগদরা, লৈবাক ওইনবু নুংশিগদরা? নুংশি হায়রিবশিংনা লাউবগা খোঙবগা লাংলিবসিবু চুম্লিব্রা। চহীদা থিরবদি লিশীং লিশীং শুরে হেক্তা হায়নরক্কনি। চরক-চহিং নায়রিবসিদি ঙরাং নহানতগী মাল্লক্লি। তোৎশিন্নবা তোক্ত্রিবা লোন অমনি, তোৎশিল্লকপা খরনা লোনসু তোৎশিল্লকখিবা ওইগনি। ঙাঙনবদসু ইতোৎ তোৎশিন্ননা ঙাঙনবা মাল্লক্লি।

রেদিওদা, টি ভিদা, লাইরিক্তা খুমন, মোইরাং, লুৱাং লৈবাকশিংগী ৱারি মুত্তরি। মখোয়গী লোন্দি মুৎখ্রে। লোন মুৎপদা কাঙলুপ মুৎখিব্রা, কাঙলুপ মুৎপদা লোন মুৎখিব্রা? লৈবাকশিংদু মুৎত্রিঙৈদা ইরম্বা পুয়াশিংগী লোনগী মমিং ময়েক্কী মমিংশিংদুসু ঙসি হোংদোকপা য়াব্রা। পুনদ্রিঙৈদা ইরম্বা মোইরাং পুয়াগী ময়েকসি মীতৈ ময়েক কমদৌনা কৌবা য়াগদৌরিবনো? থোনজিনবগী থোনজিনবা পুয়াদা ইরম্লিবা ময়েক অরিবসিসু মণিপুরী ময়েক কৌফম থোক্তবরা? লোন নুংশিবা, থৱায় য়াওবিরিবশিংনা তৌবিরিবসিবু করি ওইনা য়েংজৌ হায়বিরিবনো? ফাগী মাল্লকপদুনি। লোন অসিদা কাংজৈ শান্নবা মাল্লবসু, মমিং হোংদোক হোংজিন তৌরবসু লোন অসিদি চাওখৎলক্লিবা লোন অমনি। মমিংদি চাম্মরক হোংলকপা য়ারি। মরমদি লোন অসি ঙাঙলিবশিংগী মরক্তা কাঙলুপকী লান চথনরি। খুন্নাই অমা মপূং ফানা শাগৎপা ঙম্নদ্রিঙৈগী নেচরেল প্রোসেস অমদা মুক্লফম থোকপা থাক অদুনি। লোন অসিদি কাঙলুপ অমত্তগী ওইদ্রে। মীতৈলোন্নি হায়দ্রে, মোইরাং লোন্নি হায়দ্রে, খুমন লোন্নি হায়দ্রে, লুৱাং লোন্নি হায়নদ্রে। মসিমক কাঙলুপকী ৱা নত্তবদা লোন অসি শাগৎলকপগী মায় পাকপা ৱারীদুনি। কনানসু মদুগী মপু শারুবা নত্তে, নেচরেল প্রোসেস অমনি। কনা অমনা ঐনা ঐননি খল্লুবা লানগনি। লোন অসি ঙাঙবা ঙল্লিবশিং পূম্নমক্লা তৌরিবা থৌওং অদুগী মমি লোন অসিদা তারকপনি। মণিপুরদা লৈবা মীখক্তনা ঙাঙবগী মওংদা মণিপুরী কৌগনি হায়বদি লাল্লক্কনি, মীতৈখক্তনা ঙাঙলম্বসু নত্তে, লোন অসি মমিং লাল্লিবগুম উরক্লি। লোন অসি নুংশিবশিংনা থম্মোয় শেংনা নুংশিবা অমা তঙাইফরক্তবগী মিৎকুপ্তু য়ৌশিল্লক্লবনি।

বংলাদেশতা মীতৈশিংনা ঙাঙলিবা লোনগী মমিং মণিপুরী কৌরবদি মীতৈলোন মুৎখ্রে হায়বনি, কছারদা মীতৈশিংনা মীতৈলোন কৌবা ঙমজদবদগী কাঙলুপকী ক্বোটা ফাওবা লৌবা ঙমজদনা লেল্লিবনি। মণিপুর ষ্টেট অসিদা লৈবা মী কাঙলুপ খুদিংমক মণিপুর মশাগী মী ওইরবনি, কাঙলুপ ময়াম্নি। মণিপুরী কৌরিবগী গ্রমার অসিনা কাঙলুপ-ফুরুপ পুনশিনবা ঙল্লবা নৎত্রি। মণিপুরী হায়বসি কাঙলুপ অমখক ওইদ্রি, মণিপুরী লোন হায়বসি কাঙলুপ ময়ামসিগী ফাওনলোন হায়বগুম্বনি। লোন অসি ঙাঙনবদা ৱাহন্থোক চমম্নবা কয়া থোকহল্লিবা ৱাঙাঙশিংগী মনুংদা লোন অসিবু শেন্নরিবশিংগী ৱাঙাঙ ফাওবদা চমম্নবনা থল্লক্লি। মণিপুরী মীতৈলোন হায়বা য়াওরক্লি, মণিপুরী হায়বসি মীরা লোল্লা খঙলক্তবা ৱা তাফম খঙদবা য়াওরক্লি। মণিপুরী-মিজো-লোন হায়বসি লৈফম থোক্তে, মিজো হায়বসি ষ্টেট কয়াদা, লৈবাক কয়াদা লৈবা মী কাঙলুপ ওইবনা মণিপুরী-মিজো-লোন হায়বা লৈফম থোক্তে, মিজো-লোন হায়রগা অদুমক খঙনফম থোকই। মণিপুরী-ইংলিস-লোন, মণিপুরী-হিন্দি-লোন হায়বা লৈরব্রা? বংলাদেশ-মণিপুরী-লোন হায়বা লৈগদ্রা? মীতৈলোন ওইগদৌরিব্রা, তাঙ্খুল লোন ওইগদৌরিব্রা, কোম লোন ওইগদৌরিব্রা? ৱাখল ময়েক শেংনা ফাওনবা ঙমদ্রবদি লোন কৌগদৌরিব্রা? লোন হাৎলিব্রা, লোন শেমগৎলিব্রা, মমিং শেংদবা লোন ওইরিব্রা, মমিং শেংদবা মী কাঙলুপ ওইরিব্রা? চক অসিদা ৱাখল্লোন অসিমক চরক-চহিং নায়রি। লোনগী নত্তে ৱাখলগী থাক অদু লোন্দা মমি তারিবনি।

লোনগী নুমিৎতা লোন অসি নুংশিবগী ৱা ঙাঙনগদ্রা, লোন অসি মুন্নবগী ৱা ঙাঙনগদ্রা, লোন অসি মুথৎপগী ৱা ঙাঙনগদ্রা? লোন অসিদা কাঙলুপকী লান তাশিনবা ঙল্লিব্রা? মণিপুরী কৌরিবসি কাঙলুপকী লান ওইগদ্রা নৎত্রগা লোন অসি চাওখৎলকপগী মণিপুরদা লৈবা মীপুম খুদিংমক্কী লোননি হায়বা খঙহল্লিব্রা? কাঙলুপ খুদিংমক লোন অসি ঙাঙলবনি। লোন অসি ষ্টেট অসিগী লোননি। মীতৈলোন কৌদ্রবসু য়ারে। মোইরাং লোন কৌনিংলক্কনি। খুমন লোন কৌনিংলক্কনি। লোন অসিদা লোন অসিগী মমিং থোনবা কৈদৌবগে? কংলৈলোন কৌবদি য়াগনি, মরমদি কং অমসুং লৈ হায়বসি লমদমসিগী লোন অয়াম্বদা ৱাহন্থোক লৈনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিংনি। কাঙলুপ অমত্তগী লোন্দা য়াওবা ৱাহৈনি হায়বা লৈতে।

খঙনা নৎত্রগা খঙদনা লমদমসিগী লোনশিংসি তোৎশিন্নদুনা লাক্লিবনি। অৱাবদি লৈঙাক্কী শা-লান্না পীবা চৈথেংনা ঙম্না চৎনখিবা য়াওবদগীনি। লাইরিক খূৎতম্বী হোংলকপা নোংচুপলোমগী নুংশিংনা শাফু কনখিবনা নোংচুপ লোন য়াম্না য়ানখিবসিনি। মিৎকুপ্তা ফ্রং কন্থোকপা য়াবদি নত্তে, চহী খরা চঙগনি। ৱারেপ্তি লোন নৈনবা নুমিৎ, মমালোনগী নুমিৎশিংসিদা মিৎ অনী লাউথোক্তুনা ইশা ইশাগী লৈফম অমদি ঙাঙলিবা লোন অসি হিংবা ঙম্নবা মিৎয়েং শাগৎনফম থোকই। অখুবা মিৎয়েংদা, তোঙান চাবগী ৱাখলদা ঐগী ঐগী ফুরুপ মচা মচাগী ৱাখলদা শাগৎপনা লোন-নাও ওইনা হিংবা ঙমগদৌবা লৈতে। মৈহৌরোলদগী পুনশিন্নদুনা লাকখিবা খোঙজেল অদুদা অমুক চেন্থমিন্নবা চঙই। নোংচুপ লোমগী নুংশিৎ নংলগা ইশাগী শক্তম হাত্তোকপা হৌনদ্রে। বেঙ্গলি ময়েক পীথোকখিবদা বেঙ্গলি কন্দরসু হুন্দোকখিবা তারকই। লোন অসিদা চয়েৎননবা ৱাফম থাঙ্গৎপা তোক্লফম থোকই। মণিপুরী-মৈতৈলোন হায়বসি মুকসন লোননি হায়রোইদৌবগী মরম লৈতে। চারোল তরেৎলক লমদমসিগী চেঙনা চাউল্লক্লবা মীওইশিংনা লোন অসি ময়েক শেংনবা খঙনবা চুল্লকই। লোন অসি ঙাঙনা-ঙাঙনা মীগী লোন্নি খনবা, ৱায়বনি খনবা, মুল্লিবনি খনবা তৌনরোয়দৌবনি। লোন অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাই অমা ওইনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপা ঙমখ্রবনি। লোন অসি ঙাঙবা ঙল্লবশিং অপূনবা শক্তম অমদা ইশানা য়ানা চঙশিন্দুনা লৈরবনি। কাউখ্রবা লোনশিং নীংশিংবা ঙম্নবনি হায়দুনা কাঙলুপকী ঈরাং শাগৎপদি লোন অসিগী য়েক্লবা ওইফম থোকই। ঙাইহাক্কী ফম্মাং ৱাখল খরনা ওইগদৌবোই খনবা লাল্লোং শাগৎনবনা লোন অসি নুংশিবনি হায়বা য়ারোই। মমালোন নুংশিবা নুমিৎ হায়বসি ৱাখল পরিং তানবা নুমিৎ অমসুনি হায়বসি খঙনফম থোকই।

ইন্টরনেসনল লেঙ্গোইজ ওইরবা লোন অমগী মরাইবক থিবসি এপেক্স বোদি অমা শাগৎপা থেংথখিবসিনি। ঙসিসু ট্রু স্পিরিট অমদা শাগৎলবরা হায়বদি চিংনবা লৈরি হায়বা তারি। লোন অসিমক লোন অসিদা মমিং থোঞ্জবা ঙমদরি। লোন অসি ঙাঙলিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী ৱাখল্লোন ময়েক শেংনা ফাওনবা ঙমদ্রিবগুম উরি। কাঙলুপকী পুৱারী ফাওবা ময়েক শেংনা উবা ঙম্নদ্রিবগুম তৌনরি। লোন অসিগী হৌরকফম অমদি মপূ মশক খঙদনা লৈনবগুম্বনি। হৌজিক্তি লোন অসি ঙাঙবা ঙল্লবশিংগী হক লোন অসিদা লৈরে হায়গনি। অরাংফম ওইরুবা মীওই খরগী অপাম্বনা অরোয়বা ৱারেপ ওইরগনি হায়বা লৈতে। মিৎয়েং পাওথোক্লা, মালেম তঙ্খায় অমা শন্দোক্লবা লোন অসিগী শক্তম লেপ্পদা তরং তরং ময়েক শেংনবা অমোৎ অকায় শেংদোকপা ঙম্বা ওইনফম থোকই। থবক পায়রবদি থবক ঙমফম থোকই।

লোন অসিগী শক্তম শাগৎপদা লোন অসি ঙাঙলিবা, ৱা ঙাঙথোক্তবা মীওই লাক্ষ-লাক্ষ লৈরি হায়বসি অশিল অরাংশিংনা উফম থোকই। ঙরাং লানখ্রবদি লানখ্রে, চুমথোকপা ঙল্লরোই হায়বসি থৌদাং পুবগী ৱাঙাঙ নত্তে। হৈতবশিংনা মঙফম তৌবদি মৈচাক ফত্তে হায়নবসু লৈ। লোন অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা লোন মচাশিংগী শোরাৎ শোনবগুম্না লৌবা লানগনি। মৈহৌরোলদগী মালেম পাফলথকসিদা লোন অসি মদোম শাগৎলকখ্রবা মপাঙ্গল কল্লবা লোন অমা ওইরবনি। ইরন্নাইগী ৱাখলদা লোন অসিগা মচাক-মথুম মান্নরিবা লোনশিংদা থুম থাকচিন্দুনা প্রেসিপিটেৎ থোকহনবা লানগনি খল্লি, মশা মদোম লোন ময়ামগী হোমোজেনিয়স সোলুসন ওইরক্লি হায়গনি।